# ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ, অর্সনেল, ইটালিগী রোমা অমসুং স্পেনগী ভিলারিয়াল সেমীফাইনেল চঙখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হেক মথংদা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা কার্টর ফাইনেল লীগকী অনীশুবা লেগকী মেটচশিংদা মায়পাকপদগী ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব অনী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং অর্সনেলগী টিম সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। লোয়নন্না ইটালিগী রোমা অমসুং স্পেনগী ভিলারিয়ালসু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং লন্দনদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা য়ুম্বু ওইদুনা গ্রানাগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখি। পনবা য়াই, টিম অসিনা মমাংদা শান্নখিবা কার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা গ্রানাদাবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা শান্নবগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী কবানিনা ৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা গ্রানাদাগী ভালেজোনা ওন গোল অমনা মেটচ অদু ২-০দা য়ুনাইটেদ মায়পাকখি।

প্রাগ সিটিদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা অর্সনেলনা চেক রিপব্লিক্কী স্লাভিয়া প্রাগকা শান্নবদা অর্সনেলনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুদা অর্সনেলগী পেপেনা ১৮শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি অদুগা লকাজেটনা শান্নবগী ২১ অমসুং ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। লোয়ননা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় সাকানা ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি। মমাংগী অহানবা লেগতা টিম অনীম্মক ১-১দা ড্রো চৎখিবনি। এগ্রিগেটতা অর্সনেলনা ৫-১দা থোইখি।

রোমদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা মফম অদুগী ক্লব রোমা অমসুং নেদরলেন্দসকী এয়াক্সকা শান্নবদা পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখিবনি। রোমাগী মায়কৈদগী জেকোনা পাঞ্জল অমা অদুগা এয়াক্সকী মায়কৈদগীনা ব্রোবেনা চনবা ঙমখি। অদুবু অহানবা লেগতা রোমানা এয়াক্সপু ২-১দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইদুনা এগ্রিগেটতা ৩-২দা থোইবা ঙমখি।

স্পেনগী ভিলারিয়াল অমসুং ক্রোএসিয়াগী দাইনামো জাগ্রেবকা শান্নবদা ভিলারিয়ালনা ২-১দা থোইখি। অহানবা লেগ অদু ১-০দা থোইখিবনা এগ্রিগেটতা ৩-১দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী ভিনেস ফোগট, অন্সু মালিক অমসুং দিব্যা কাক্রন এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা গেল্ড ফংখ্রে



অলমাটি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ভিনেস ফোগট, অন্সু মালিক অমসুং দিব্যা কাক্রননা কজাক্সটানগী কোনুং অলমাটিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা মখোয়-মখোয়গী ৱেথ কেটগরিদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ভিনেস ফোগটনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। চাইনা অমসুং জপানগী রেষ্টলর অমত্তা য়াওখিদবা মরম্না ভিনেস ফোগটনা কিলোগ্রাম ৫৩গী কেটগরিদা পোইন্ট অমফাওবা মাঙজদনা গোল্ড মেদল অদু ফংবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, ভিনেস ফোগটনা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা হন্দক্কী অসি নত্তনা মমাংদা সিলভর মেদল অহুম অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ ফংদুনা পুন্না মেদল ৭ ফংবা ঙমখ্রবনি।

ভিনেসনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা বাউটশিংদা মোঙ্গোলিয়াগী ওটগোনজার্গল গনবাটর অমসুং টাইপৈগী মেং স্বান সৈবু মায়থীবা পীখি। সেমীফাইনেলদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী সাউথ কোরিয়াগী হ্যুনয়ং ওগা লম্বা তৌনগদবা অদুনা সাউথ কোরিয়াগী রেষ্টলর অদু শোকপদগী শান্নবা ঙমখিদে। ফাইনেলদা ভিনেস ফোগটনা মহাক্কী লম্বা অদুবু অহানবা পেরিয়দতা পিন তৌদুনা থল্লগা পোইন্ট ৬-০দা থোইদুনা গোল্ড মেদল অদু ফংবা ঙমখিবনি।

কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটগরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অন্সু মালিকনা ঙসি ফাইনেলদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বাটসেটসেগ অল্টানসেটসেগপু য়াম্না কোম্না পোইন্ট ৩-০দা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর দিব্যা কাক্রননা মহাক্কী কিলোগ্রাম ৭২গী কেটগোরিদা এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইরিবী কজাখষ্টানগী রেষ্টলর ঝাবিলা বেকবরজেনোভাবু অহুমশুবা রাউন্দদা পোইন্ট ৮-৫দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী গ্রুপ অদুদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মায় পাকপা রেষ্টলর ওইখিবা মরম্না গোল্ড ফংখিবনি। সশি মালিকনা কিলোগ্রাম ৬৫দা ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা লৈরি।

# য়ু কে বি চুড়াচান্দপুরনা এ আই এম থোইখ্রে, নিশাসু মখোয়গী লম্বা মুভানলাই এথলেটিক্সপু ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা চথরিবা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২৩শুবা মেটচতা য়ু কে বি চুড়াচান্দপুরনা এ আই এম খাবমবু ৫-২দা থোইখ্রে। অদুগা ২৪শুবা মেটচতনা নিশা থাংমৈবন্দনা মুভানলাই এথলেটিক্সপু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু কে বি অমসুং এ আই এমগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লম্বা মান্নবা ঙমখি। ১১শুবা মিনটতা য়ু কে বিগী মাংখোলেন কিপগেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ১৩ লৈরগা টিম অদুগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অমা পাওলেনলাল খোংশাইনা ২৪শুবা মিনটতা চনখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৮দা ঙাইরবা মতমদা এ আই এমগী মায়কৈদগী ঈজয়কিষননা শোখখিবা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা ১-২দা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা য়ু কে বিগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়খি। ৬৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা পাওলেনলাল খোংশাইনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ৪ লৈরগা পাওলেনলালনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মহাক্কী হেটট্রিক অদু ৭০শুবা মিনটতা চনখি। শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিনখি। ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা য়ু কে বিগী মায়কৈদগী নেকমিনজেননা টিম অদুগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা থংনবা মিনটতা এ আই এমগী এল লময়ানবনা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা মখোয় ২-৫দা মায়থীখি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৪শুবা মেটচতা নিশা থাংমৈবন্দনা মুভানলাই এথলেটিক্সতগী হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা নিশাগী মৈরাবনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। হাফ অদু লোইরমদাই মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা টিমমেট এল সনাতোম্বনা পাঞ্জল ১গা চনশিল্লগা ২-০দা লৈখি। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক পাঞ্জল চনবা ঙমখিদ্রবসু ৮৩শুবা মিনটতা নিশাগী জোনিচান্দনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

# অল অমিন, কে এস দি ও, পি সী সী অমসুং ঈ এস য়ুনা মখোয়গী লম্বাশিংবু থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩শুবা এম এন সী এ লুৱাংপোকপা টি-২০ ট্রোফি ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা অল অমিন লিলোং, কে এস দি ও ক্যামগৈ, পি সী সী ময়াইকোইবী অমসুং ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ এগী মেটচ অমদা অল অমিন লিলোং অমসুং আর সী এ লিলোং তাইরেন মখোঙগা লম্বা তৌনখি। অল অমিননা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৬ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৬শুবা বেটসমেন এম দি মুষ্টাকনা বোল ২৪দা রন ৪৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজখি। অদুগা ওপনর নসির শাহসু রন ৪১ লৌরমখি।

মায় পাক্লনবা আর সী এ লিলোং তাইরেন মখোঙনা রন ১১৭ লৌগদবা অদু ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা রন ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১২৩ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মখোয় রন ১৩দা মায়থীখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৬শুবা বেটসমেন অস্লাম খাননা রন ৪৩ লৌরমখি।

কে এস দি ও ক্যামগৈ অমসুং এস দি সী লাইফম খুনৌ লম্বা তৌনখি। টোস এস দি সীনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ১৮গা বোল ৪ শান্নবদা ৱিকেট ১০ তুরগা শুপ্নগী রন ৯২ খক লৌখি। মায় পাক্লনবা কে এস দি ও ক্যামগৈনা রন ৯৩ লৌবা তাখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ১১গা বোল ৪ শান্নরকপদা বেটসমেন ৩খক আউট ওইরগা রন ৯৩ য়ৌদুনা ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখি। টিম অদুগী ওপনর রিহাসকী রন ৩৬ অমসুং সমিরগী রন ৩৩ য়ৌবা ঙমখিবা অদুনা ফজবা ওইখি।

ঙসিগী অহুমশুবা মেটচ অদু পি সী সী ময়াইকোইবী অমসুং কে এ এস সী খোমিদোক লম্বা তৌনবনি। মেটচ অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। অপীবা ওভর ২০দা পি সী সীগী মায়কৈদগী বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা রন ১২৯ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী কেপ্টেন সন্তোশনা বোল ৫৫গী মনুংদা রন ৭০ লৌদুনা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। টিম অদুগী মখা তারকপা বেটসমেন অনীখক দবল ফিগর য়ৌখি। অদুগা অতৈদি ফজবা ঙমখিদে। মায় পাক্লনবা কে এ এস সী খোমিদোককী মায়কৈদগী রন ১৩০ লৌগদবা অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৮মক আউট ওইরগা রন ৯৩দা লৈখিবদগী মায়থীবা নংখি।

পি টি সী সী পাৎশোই অমসুং ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈগা লম্বা তৌনখি। ঈ এস য়ুনা মেটচ অদু রন ১৩দা থোইবা ঙমখি। ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈনা রন ১৫৪ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা পি টি সী সীগী মায়কৈদগী বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৪১ খক লৈবদগী রন ১৩দা মায়থীখি।

# ও এফ এ, ৱাই ৱাই সী অমসুং ইমোইনু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): দি ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৭শুবা ইবুধৌ খল্লাংবা কপ ২০২১ লম্লাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ঙসি ও এফ এ, ৱাই ৱাই সী অমসুং ইমোইনু টিম য়াইঙংপোকপী মায় পাকখ্রে।


গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ও এফ এ পুংদোংবমনা এস পি ৱাই সী সৈজাংবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি। ও এফ এগী মায়কৈদগী অরুনজিৎনা পাঞ্জল ২ অদুগা বিনোদ খন্নানা পাঞ্জল ১ চনখি। এস পি ৱাই সীগীনা বিঘানন্দনা পাঞ্জল ১ চনখি।

গ্রুপ দিগী মেটচতা ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুং অমসুং বি এস য়ু (সী) নোংপোক সেকমাই লম্বা তৌনখি। ৱাই ৱাই সীগী মায়কৈদগী দেনিএলনা পাঞ্জল ২ অদুগা ধনানা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-০দা থোইখি। ইমোইনু অমসুং য়ু ৱাই পি এ নোংদমগী মেটচ অদু ইমোইনুনা ২-১দা থোইখি।

## ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা অমদি এম এস ৱাহেংবম ইরিগেসন ইন্টরপ্রাইজনা স্পোন্সর তৌদুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৯দগী পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা সব-জুনিয়র গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১দা ওফিসল ওইগদবা মীওইশিং খল্লে হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি। মেটচ কম্মিস্নর/রেফরি এসেসরদা এম জয়চন্দ্র, রেফরিশিংদা টি রঞ্জিতা, চিম চিম সর্টো, এম রোশনি, এল লিতনবালা, ৱাই বিদ্যপতি, আর দি রিংনিদম, এস আর নিংরিনিং অনাল, উশারানী, সুশিলা, গীতারানী, নিরুপামা, পি ঐচ ইচন অমসুং সিংৱাইসুই শান্থিংনি। মখোয়না এম জয়চন্দ্রদা এপ্রিল ১৭কী নুংথিল পুং ১দা রিপোর্ট তৌগদবনি।

## কে ৱাই এল এস অমসুং জিরি পুলিস মায় পাকখ্রে



জিরিবাম, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১০শুবা কেশো মেমোরিয়ল ভোলিবোল টুর্নামেন্টকী শান্নখিবা মেটচ অমদা কে ৱাই এল এস কাচিখুল ইম্ফালনা সোনাপুর জি পিবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেটচতনা জিরি পুলিসনা এল এম ৱাই সী মোক্তোক খুলবুসু সেট ৩-০দা কোম্না থোইবা ঙমখি।

হয়েং অয়ূক পুং ৭তা বি সী বিদ্যানগর অমসুং সোনাপুর জি পিগা লম্বা তৌনগনি। ২শুবা মেটচতা এল এম ৱাই সী মোক্তোক খুলগা বি এস ও তোপ সিফাইগা শান্নগনি। নুংথিল পুং ২.৩০দনা জিরি পুলিস অমদি বি এস ও তোপ সিফাই শান্নগনি। অদুগা অতোপ্পা নুংথিলগী মেটচ অমদনা বি বি সী বিদ্যানগর অমসুং কে ৱাই এল ঐচ কাচিখুল থেংনগেদৌরি।

## ষ্টেট লেভেল কম ট্রাইয়ল সেলেক্সন

নম্বোল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): কুদো ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা চহী অসিগী জুন ৯দগী ১২ ফাওবা হিমাচল প্রদেশতা লৈবা গ্রিন হিল কোলেজ ওফ ইঞ্জিনীয়রিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা কুদো নেসনল টুর্নামেন্ট ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্নবা ট্রাইয়ল কম সেলেক্সন অমদি অহানবা ষ্টেট লেভেল কুদো চেম্পিয়নশিপ ২০২১ লাক্লিবা থা অসিগী ১৮দা ইবুধৌ খোরিফাবা হরাউবুং নম্বোলদা কে য়ু দি ও এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ানিংবা ওফিসল অমদি শান্নরোয়শিংনা অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌরনবা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এল সিংহজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

1ST POSITION 2020

TOPPERS of 2020



9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6894/3/4-31/5
HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)



MEGA MOCK TEST FOR X AND XII
THE 7TH PREMILINARY SAMPLE OF HSLC AND COHSEM EXAM 2021 – 22
CONDUCTED BY – HUMAN RESOURCE CENTRE

NO EXAM FEE
CASE PRIZE OF 3 LAKHS + SCHOLARSHIP OF ONE YEAR WITH MOMENTO AND CERTIFICATE TO ALL THE POSITION HOLDERS
NO EXAM FEE

LAST DATE OF FORM SUBMISSION – 24TH APRIL 2021.
◆ QUESTIONS WILL THE SAME PATTERN OF BOSEM & COHSEM EXAM.
◆ TO AIM IN SCORING HIGHEST MARK IN THE COMING BOSEM & COHSEM EXAM.

FIRST COME FIRST SERVE ONLY 500 STUDENTS EACH INTAKE UNDER SOP GUIDELINE

CLASS X

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | – 26/04/'21 |
| 2. SCIENCE | –28/04/'21 |
| 3. ENGLISH | –30/04/'21 |
| 4. SOCIAL Sc. | –02/05/'21 |

CLASS XII

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | – 25/04/'21 |
| 2. PHYSICS | – 27/04/'21 |
| 3. CHEMISTRY | –29/04/'21 |
| 4. BIOLOGY | –01/05/'21 |

FORM WILL BE AVAILABLE @ ADVANCED COACHING INSTITUTE
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
FOR QUERY : 9862992105



SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN / FOUNDATION COURSE (2021/22)
CLASS X & XII (Science,Arts,Commerce) BOSEM / COHSEM & CBSE
General Foundation cource SSC,BANK PO,NDA,CDS,SBI,IBP, other compititive exam,NEET, JEE
Subject All duration 5 & 6 months - Available van & hostel (Morning & Evening)
Start on 21 April & 10 May 2021 ## 7830999192 / 03857966211
HL-P/8727/9,11



EMPLOYMENT NEWS
IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490
OFFICE HOUR : 10.00 AM TO 4.00 PM
HL-P/6855/14-30 days alt


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com